# লিবিয়াদা সুইসাইদ বোম্মিং এটেক অনীদা মীওই ৫৬ শিরে

বেঙ্গাজি, জন্যুৱারী ০৮ ঃ

ঙসি লিবিয়াদা সুইসাইদ বোম্মরশিংনা পুলিসকী ট্রেনিং স্কুল অমসুং চেকপোষ্টতা এটেক তৌদুনা মীওই ৫৬ হেন্না হাৎখিবগা লোয়নননা জিহাদিষ্টশিংনা কিহনবা অমসুং অমগা-অমগা য়েংথিনবদগী মচোই-মচোই তারবা লৈবাক অদুদা নৌনা অমুক পুনশিন্নবগী তঙাই ফদবা লাকখ্রে।

খ্বাইদগী শাথিবা সুইসাইদ এটেক অদু কোষ্টেল সীটি জিলিটেনদা থোকখি। ট্রক বোম অমা স্কুলগী মপানদা পোকখায়রক্তুনা মীওই ৫০ গী মথক্তা থৱায় মাংহনখ্রে হায়না সিক্যুরিটি ছোর্সনা ফোঙদোক্লি। এটেক অদু কুমজা ২০১১দা মতম শাংনা দিক্টেটর ওইরম্লবা মোঅম্মর কদাফিবু চিংথুখিবা রিভোলুসন অদুগী মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবনি হায়রি।

ত্রিপোলিদগী নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ১৭০ রোম থাপ্পা লৈবা জিলিটেনদা থৌদোক অদুবু মীৎনা উহৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি মদুদি, সুইসাইদ এটেক অদু চথবা মতমদা অয়াম্বনা কোষ্টগার্দশিং ওইবা মীওই ৩০০ কম্পাউন্দ মনুংদা লৈ।

হেলথ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অম্মর মোহম্মদনা ফোঙদোকখি মদুদি, এটেক অদুদা মীওই ৫০ দগী ৫৫ ফাওবা শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা চাম্মনা অশোক-অপন নংখ্রে। অশোকপশিং অদু হোস্পিটালশিংদা পুখৎখিবগা লোয়নননা অথুবদা ঈ-দোনেসন তৌননবা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে।

পৱারফুল ওইরবা বোম ব্লাষ্ট অদুগী মনিল অদুনা থোঙনাউশিং হুমদোরকখি অমসুং কম্পাউন্দ মনুংদা লৈবা বিল্ডিংশিং পুংকা কাহনখি অমসুং কারশিংবুনা পুংমু মুবা শুতেক-নাতেক্কী পোৎশকশিং ওইহনখি।

থৌদোক অদুগী মতুং পুং খরা লৈরগা অতোপ্পা বোম্মর অমনা বোমনা থন্না য়াওরবা কার অমা চেকপোষ্ট অমা তম্না থৌজিনদুনা পোকখায়হনখি অমসুং এটেক অদুদা অঙাং মচা অমা য়াওনা মীওই তরুক শিখি। কার বোম থৌজিন্দুনা সুইসাইদ এটেক চথখিবা চেকপোষ্ট অদু থাউ মরাং কাইনা থোকপা মফম অমনি লোয়নননা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মতমগী মমাঙদসু মফমদুদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা এটেক তৌখিবা লৈ হায়রি।

ঐহাক হৌজিক অঙাং মচা পীশক ১গী অশিবা হকচাং য়াওনা থৌদোক থোকফমদগী অশিবা হকচাং তরুক পুরক্তুনা থম্বা মোর্গতা লৈ হায়না লিবিয়াগী রেদ ক্রেসেন্টগী মকোক ওইবা মন্সুর অটিনা ফোঙদোককি। এটেকতুদা মীওই নিপান শোকখি হায়রি।

টোয়োটা লেন্দ ক্রুজর থৌবা নুপা অমনা মহাক্কী ভেহিকল অদু রাস লানাউফ টাউনগী চঙফমদা লৈবা চেকপোষ্ট অমদা থৌজিল্লগা মথন্তা পোকখায়হঞ্জখিবনি হায়না মনাক নকপা ওইল ফেসিলিটিশিংবু গার্দ তৌরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী স্পোক্সমেন ওসামা অল-হোদৈরিনা হায়খি।

থৌদোক্তুবু হকথেংননা থেংনহৌবা হোদৈরিনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, এটেক অদুদা গার্দ অহুমগা শুপ্নগী থা ১৬ তমক শুবদা ঙাইরিবা অঙাং মচা অমগা শিখি।

জিলিটেন নৎত্রগা রাস লানাউফকী এটেকশিং অদু খুদক্কী ওইনা কনামত্তনা মখোয়না পাঙথোকপনি হায়না ক্লেম তৌরকখিবা লৈতে। মমাঙদা থোকখিবা সুইসাইদ বোম্মিংশিং অমসুং অতৈ মীওৎ-মীনৈগী থৌদোকশিংদি আই এসনা ক্লেম তৌখিবনি।

কুমজা ২০১১ দা থোকখিবা রিভোলুসনগী মতুংদা চরাংনবা মথোং-মরম খঙদবগী ফীভম লৈরিবদুগী খুদোংচাবা লৌরদুনা লিবিয়াদা আই এসকী মপাঙ্গল কনখৎলকখিবনি।

আই এসকী কাংবুনা চয়োল কয়ামুক সিরটেদা লৈবা মখোয়গী ষ্ট্রেংহোলদগী নোংপোকলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনরকলবা মতুংদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাস লানাউফ অমসুং মনাক নকপা অল-সিদ্রাগী থাউগী টর্মিনেলশিংদা এটেক চথরকখিবনি। ওইল টর্মিনেলশিংদু নোর্দন কোষ্টকী ‘ওইল-ক্রেসেন্ট’ হায়না খঙনবা মফমদুদা লৈবনি। করিগুম্বা জিহাদিশিংনা লিবিয়াগী ওইল রিছোর্সশিং কন্ট্রোল তৌশিনখিবা তারবদি তুংদা অৱা-অনা খুদোংথীবা কয়া লাক্কনি হায়না ওফিসলশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইস্লামিষ্টনা শৌগৎপা মিলিস্যাগী এলাইন্স অমনা ত্রিপোলিবু খুদুম চনশিনবদগী লৈঙাকপা কাংবুনা নোংপোকলোমদা চেন্দুনা খাংলবা মতুং কুমজা ২০১৪গী ওগষ্টতগী অমগা অমগা য়ান্নদবা এদমিনিষ্ট্রেসনশিং ত্রিপোলিদা লাকখিবনি।

মালেমনা শকখঙবা লিবিয়াগী গভর্ণমেন্টনা এটেক অদু পাঙদবা টেররিষ্টকী থৌদৌনি হায়না কন্দেম তৌখিবগা লোয়নননা মখোয়না আই এসপু লাকশিনবদা খুদোংচানবা মখোয়গী মথক্তা থল্লিবা খুৎলাইগী অথিংবশিংদু লৌথোক্লনবা আপিল তৌখ্রে।

ত্রিপোলিদা লৈঙাক্কী চুপ্পি পায়রিবা গভর্ণমেন্টকী দেপ্যুটি দিফেন্স মিনিষ্টর মোহম্মদ বাশির অল নাসনা তমথীরবা সুইসাইদ এটেকশিং অদু মতিক চানা লমন খুমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কনানা অদুগুম্বা থবক তৌরিবনো হায়বা ঐখোয় খঙদে অদুবু মহাক পাংদবা মী অমনি। মহাক্লা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংবু মমিদগী থোক্লক্লবা হাৎলে। ঐখোয়গী অঙাংশিংবু ঐখোয়না ঙাক শেনগদবনি অমসুং মখোয়দা তৌহৈদবা কয়া তৌরিবসিগী লমন শিংগদবনি হায়না ন্যুজ কনফরেন্স অমদা মহাক্লা হায়খি।

ঙসি নুংথিল মীওই চা কয়ানা অঙৈংবা অমসুং নুংশিৎ মরক্তা লাক্তুনা জিলিটেন ষ্টেদিয়মদা থোকখিবা ট্রক বোম এটেক্কী থৌদোক্তা শিখিবশিং অদুগী প্রেয়র সার্ভিসতা শরুক য়াখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লিবিয়াগী রাইভেল সাইদশিংদা অপুনবগী ওইবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগীদমক্তা হৌখিবা থাদা পৱার সিয়ার তৌমিন্নবগী মতাংদা য়ান্নখিবদু থবক্তা ওন্থোক্লনবা তকশিল্লিবনি।

হান্না য়ান্নখিবা পোলিটিকেলগী ৱাফম থবক ওইনা পাঙথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না লিবিয়াদা লৈবা য়ু এনগী পাউখোল্লোই মার্টিন কোব্লরনা ফোঙদোকখি।

ঐহাক্লা ঙসিগী জিলিটেনদা চথখিবা তমথীরবা সুইসাইদ এটেক অদু খ্বাইদগী কন্না কন্দেম তৌই অমসুং লিবিয়ানশিংদা টেররিজমগী মায়োক্তা লাঞ্জং চঙশিন্নবা অমত্তা ওইনা পুনশিন্ননবা আপিল তৌরি হায়না ট্বিটরদা মহাক্লা ইখি।

ইয়ুগী পোলিসি চীফ ফিদেরিকা মোগেরিনিনসু লিবিয়াগী মীয়ামদা য়ুনিটিগী দিল অদুবু শৌগৎননবা আপিল তৌখ্রে।

লিবিয়াগী মীয়াম তংদু লৈতাবা অমসুং সিক্যুরিটিগী ফীভম লৈবদা মতিক চাই অমসুং মখোয়দা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্নদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা, লৈবাক অসিনা মায়োক্ল রিবা টেররিষ্টকী অকিববু পুন্না মায়োকমিন্ননবা অচৌবা তাঞ্জা অমা লৈরে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

হান্না কলোনিএল পৱার অমা ওইনা লিবিয়াবু লৈঙাক্লম্বা ইটালিনা তং তাবা ফীভম অমা লিবিয়াদা লাক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়খ্রে। টেররিষ্টশিংনা অসুম্না অকিবা পোকহল্লকপা তারবদি মদুগী অহানবা পাউখুম ওইনা লিবিয়ানশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নগদবনি। হন্দক্তা সাইন তৌনখিবা পোলিটিকেলগী এগ্রীমেন্ট অদু থবক্তা ওন্থোকপা তঙাইফদে হায়না ইটালিগী ফোরেন মিনিষ্টর পাওলো জেন্টিলোনা হায়খি।

লিবিয়াদা মখা তানা কাং-খোং চাইবগী ফীভম লাক্তুনা লৈবাক অসি য়ুরোপকী থোঙ্গালদা লৈবা আই এসকী ষ্ট্রোংহোল অমা ওইরকপা য়াই হায়না মালেমগী পৱারশিংনা অকিবা পোক্লিবনি হায়রি।

হৌখিবা নবেম্বর থাদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা থাগৎখিবা রিপোর্ট অমদা হৌখিবা ২০১৫ দা লিবিয়াদা য়ামদ্রবদা কার বোম অমসুং অতৈ সুইসাইদ এটেক ২৭ তি চথখি হায়না পল্লি।

# নোংমৈগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাং শৌগৎনবা ওবামানা অপিল তৌখ্রে



ফেঅরফেক্স, জন্যুৱারী ০৮ ঃ

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা নোংমৈ কন্ট্রোল তৌনবা মহাক্লা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং শৌগৎপীনবা আপিল তৌখ্রে লোয়নননা মতিক মঙম লৈরবা নোংমৈ লোবি কাঙবুবুসু ৱাখলনা শাগৎপা ৱারি অমা শীজিন্নদুনা নোংমৈগী ঈরাংগী মরমদা তৌনরিবা নেসনেল দিবেটপু মশক থিহল্লে হায়না মহাক্লা মরাল শীখ্রে।

টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা প্রাইম টাইমগী ফোরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা মরু ওইনা ওবামা মশামক্লা অমেরিকাদা মর্সিএল লো চৎনহন্নবা মাঙজৌননা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা নোংমৈ পুম্নমক ফাজিনবা (সিজ) পামই হায়বা নোংমৈগী লোবি কাঙবুগী ৱাফমদুবু মহাক্লা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা নোংমৈ লোবি কাঙবুগী ৱাফমদু নোংমৈ শীজিন্নদুনা ঈরাং তৌবগী মরমদা লৈবাক্কী ওইনা কন্না খন্নরক্লিবদুবু শেরান্নবা উহন্নবা লৌতুনবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

“কনাগুম্বা অমনা নখোয়না পায়রিবা নোংমৈশিং মুনখিগদৌরে” হায়না নেসনেল রাইফল এসোসিএসন অমসুং মসিগা মান্নবা গ্রুপশিংনা মখোয়গী মেম্বরশিংদা হায়রিবদুবু প্রসিদেন্ট ওবামানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা নোংমৈ পায়বগী রাইট মহাক্লা শৌগৎলি হায়বা ৱাফমদু অচুম্বনি হায়রদুনা ওবামানা মদু মীশি-মীনা থোকহনবা ঈরাং অমসুং মীয়ামদা টার্গেট তৌদুনা নোংমৈ কাপ্পা থিংনবা মহাক্লা হোৎনরিবদুগা চান্নে হায়খি। নেসনেল রাইফল এসোসিএসন (এন আর এ) না লিগেল প্রদক্টশিংবু হেন্না সেফ ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টগী মথৌনি হায়বসিদা য়ানিংদ্রি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট ওবামানা মখা তারদুনা করিগুম্বা এন আর এনা অচুম্বা মরমশিংদা খন্নসি হায়বদা য়ানিংলবদি মহাক্লা মখোয়বু উন্নবা পামই হায়খি। তশেংনমক এন আর এদা হৌনবী মতুং ইন্না ফোরম অদুদা শরুক য়াননবা খঙহনখি অদুবু মখোয়না শরুক য়াখিদে হায়না মহাক্লা হায়খি। সি এন এননা শিন লাংখিবা ফোরম অদুদা এন আর এগী মেম্বর কয়া তিল্লিবা মীয়াম্লক্তা য়াওখি।

অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাওবা গন গ্রুপ এন আর এবু হ্বাইট হাউসনা অনৌবা নোংমৈগী লোশিংবু থিংলিবা লোমেকরশিংদা মরম চাদনা ঈথিল পী হায়না মরাল শীবগা লোয়নননা য়ুনিভর্সেল বেকগ্রাউন্দ চেকশিংগুম্বা খোঙথাং কয়া য়ু এসকী মীয়াম্না পাক শন্না শৌগৎপা লৈনা লৈনা নোংমৈগী লোশিংদুবু থিংলিবনি হায়খ্রে।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা লম্মৈ চাক্লকপদগী অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে



কেনবেরা, জন্যুৱারী ০৮ ঃ

ওষ্ট্রেলিয়াগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা নারক মোংশোংশিং মৈ হৌরকপদগী থোক্লকপা অচৌবা মৈহৌ-লাংপোক (বুশফায়র) অমনা অপিকপা টাউন অমা পুংচাক চাক্তুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লবা মতুংদা হৌজিকসু (ঙসি নুমিদাং অথেংবফাও) লাকশিনবা ঙমদনা শন্দোরক্তুনা মখা তানা অমাঙ-অতা থোকহন্দুনা লৈরে হায়রি।

পর্থকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা য়রলূপ টাউনদা বুশফায়র অদুনা য়ুম ৯৫ রোম মাং তাকহনখ্রে অমসুং মফম অদুগী মীওই অহুম লাঞ্জেন্নবদগী থিবা ফংদ্রি হায়রি।

পুংদা কিলোমিটর ৬০ য়ৌনা য়াংনা শিৎলকপা নুংশিৎনা হুমদুনা ৱারুনা ফায়র হায়না খঙনবা অচৌবা মৈজাও অদু মিটর ৫০ ফাওবা ৱাংখৎনা মৈরী হৌনা চাকই হায়রি।

মৈ চাক্লিবদু হৌজিক (পাউসি লাকপা মতম) হেক্টর ৫৮,০০০ রোম পাক চাউখিবগা লোয়নননা ইমর্জেন্সিগী থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে। ৱারুনাদা থোক্লিবা অচৌবা বুশফায়র অদু প্রেষ্টন বিচ য়াওনা হার্ভি অমসুং মনাক নকপা এরিয়াশিংদসু শন্দোরকপা য়াই হায়রি।

অসিগুম্বা মৈজাও অসিনা য়ারলূপ টাউনবু পুংতুম তুমহনখিবা য়াই হায়না লোকেল পোলিটিসিয়ন অমনা বি বি সীদা ফোঙদোকখি। অকনবা নুংশিৎনা হুম্বদা মৈদু হেন্না কন্না চাক্লকই হায়না য়ারলূপ্তা লৈবা অলেক্স গোভানোবিচ কৌবা মীওই অমনা ওষ্ট্রেলিয়ান ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসনদা ফোঙদোকখি।

ব্যুরো ওফ মিটিওরোলোজি (বি এ এম) গী স্পোক্সমেননা ইরাই নুমিৎতা পুংদা কিলোমিটর ৬০ য়াংবা নুংশিৎ শিৎলক্কনি হায়না থাজবনা হৌজিক লৈরিবা ফিভমদু চপ চানা হায়বা ঙমদে হায়খি।

অখাক-অরাও য়াওবা নুংশিৎশিং অমসুং সি ব্রিজশিং শিৎচিল্লক্লবদি মৈদু অনৌবা মায়কৈশিংদা হুমখিদুনা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা লাকপা য়াই হায়না স্পোক্সমেন অদুনা মখা তাখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মফম অয়াম্বগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম কংনা শাবা অমসুং মৈ চাকপা য়াবা নারক-মোংশোংশিং মরাং কাইনা লৈবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা বুশফায়র তোইনা থোকল্লি। নোংলৈ-নুংশিৎ মরক্তা য়াওবা নোংথাংশিংনা য়ৈবদা মৈ হৌদুনা বুশফায়র হেক্তা থোকহনবা য়াই হায়রি।

# পেরিস এটেক্তা চেন্নবা মীওই অমা ব্রসেলসকী য়ুম অমদা লোৎখি : প্রোসিক্যুটর

ব্রুসেলস, জন্যুৱারী ০৮ ঃ

পেরিসতা চথখিবা এটেকশিং অদুদা শীজিন্নখিবা বোমশিং অদু ব্রুসেলসতা লৈবা য়ুম অমদা শারম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ অমসুং এটেকশিং অদুগী শরৌ শীনবদা য়াওখিবশিং অদুগী মনুংদা অমদি পুলিসকী লাংদগী নাম্থোক্লবা মতুংদা য়ুমদুদা লোৎতুনা লৈখি হায়না বেলজিয়মদা প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা দিসেম্বর ১০ দা ব্রুসেলসতা লৈবা য়ুমদুদা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা সলা অব্দেসলামগী ফিঙ্গর প্রিন্ট থেংনখি তৌইগুম্বসুং ইকোন কোনবদা মহাক করম্বা মতমদা য়ুমদুদা লোৎখিবগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদে হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা হায়খি।

হৌজিক ফাওবা কদায়দা লৈবগে খঙদ্রিবা মশাগী চহী ২৬ শুরবা ব্রুসেলস মচা অদু মালেম পুম্বদা কোইথি থিনরিবনি।

য়ুমদুদা থিবা-হুম্বা চথবদুদা চিংনবা য়াবা সুইসাইদ বেল্ট অহুম, পেরিসতা নবেম্বর ১৩ দা চথখিবা এটেকশিং অদুদা শীজিন্নখিবা বোমগী মচাক-মথুমশিংগী মচিৎ-মখাকশিং অমসুং বোম শাবদা চঙবা অতৈ-অতৈ মচাক-মথুমগী শরুকশিংসু থেংনখি হায়না বেলজেঅন ফেদরেল প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ফেদরেল প্রোসিক্যুটর ইরিক বানদের সিপ্টনা হায়খি মদুদি, বেলজিয়মগী মিদিয়া হাউস খরনা ফোঙখিবা পাউশিংদা য়াওবা থৈদোক-থৈজিন কয়াগী মতাংদা চিংনবা কোকহন্নবা মতম শাংনা কন্না হোৎনরক্লবা মতুংদা ওথোরিটিশিংনা অনৌবা পাউ অসি ফোঙদোক্লবা ৱারেপ লৌরকপনি।

অকুপ্পা মরোলদি ফোঙদোক্তবীদা মহাক্লা য়ুমদুদগী ফংলিবা ইভিদেন্সনা ঐখোয়দা মখা তানা থিজিন-হুমজিনবা ঙমহল্লে হায়খি।

মীওই ১৩০ শিহনখিবা অমসুং মীওই চা কয়া শোকহনখিবা পেরিসকী এটেক্কী ঈ-নাই অমসুং চরাংনবা মরক্তুদা অব্দেসলামনা থৌদোক থোকফমদগী মহাকপু লৌবা লাক্লবা মমান্নবা অনীসু কৌখি। পনবা য়াবদি, পেরিসতা চথখিবা সুইসাইদ এটেকশিং অদুদা অব্দেসলামগী ময়াম্বা ব্রাহমসু সুইসাইদ বোম্মর ওইখিবনি।

# ইজরেলিশিং তোংবা বসতা এটেক তৌখ্রে

কাইরো, জন্যুৱারী ০৮ ঃ

ঙসি ইজিপ্টকী গিজাদা লৈবা পিরামিদশিংগী মনাক নক্লা লৈবা হোটেল অমদা আরাব-ইজরেল মচাশিংনা তোংবা টুরিষ্ট বস অমদা মাইখুম উপ্পা মোটোরসাইকল তোংবশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌখ্রে। মুস্লিম ব্রদরহুদবু শৌগৎপশিংনা রেলি অমা পাঙথোক্লিঙৈদা এটেক অদু চথরকখিবনি তৌইগুম্বসুং লমকোইবশিংদুদি এটেক অদুদা শোকহৌদ্রে হায়রি।

মুস্লিম ব্রদরহুদকী সপোর্টর ১৫ রোমগী কাংবুদা য়াওবা খুৎলাই পায়বা মোতোর সাইকল তোংবশিং অদুনা উচেক কাপ্পগী নোংমৈশিং শীজিন্নদুনা লমকোইবশিংদা টার্গেট তৌখি। মখোয়না (টুরিষ্টশিংনা) অল-হরাম ষ্ট্রীটতা লৈবা হোটেল অমদা চঙলকপা মতমদা এটেক অদু চথরকখিবনি হায়না ওফিসল পাউনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদুদা মী শিবা অমদি থোইদোক্লা শোকপা-পনবদি য়াওদে অদুম ওইনমক লমকোইবশিংনা তোংলিবা বস অমসুং হোটেলগী গেটকুম্বা খরদি অকায়-অতোয় থোকখি।

থৌদোক্তুদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই অমা ফাগৎপগা লোয়নননা পুলিসনা গ্রুপ অদুগী অতৈ মীওইশিংবু থিবগী থবক চথরি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

বস অদুদা তোংলিবা মীশিং অদু আরাব-ইজরেলি সীটিজনশিং ঙাক্তনি হায়না ইজরেলি গভর্ণমেন্টগী ৱারোল পল্লদুনা অল-অহরমনা হায়রি।

# কুর্দিশ মিলিটেন্টশিং য়াওনা ১৫ হাৎখ্রে

ইষ্টানবুল, জন্যুৱারী ০৮ ঃ

হৌখিবা নুমিৎ নিনিদা টর্কিগী খা নোংপোক্তা মিলিটেন্ট গ্রুপশিং তকথোক্লবা চথখিবা ওপরেসনশিংদা পুলিসকী ওফিসার অনী, লান্মী অমা অমসুং কর্দিষ্টান ৱার্কস পার্টি (পি কে কে)গী মীওই ১২ হাৎখ্রে হায়না আর্মি অমসুং দোগান ন্যুজ এজেন্সীগী পাউনা হায়রি। কিজ্রে দিষ্ট্রিক্টতা লান্মীদা রোকেট এটেক চথরকখি অমসুং লান্মীগী ওপরেসনদা পি কে কেগী মিলিটেন্ট ১২ সু শিখি হায়না আর্মিগী ৱেবসাইটনা ফোঙদোক্লি। ঙসি অথেংবদা কিজ্রেদা পুলিসকী কাঙবু অমনা পি কে কেগী লালহৌবশিংনা থম্বা বেরিকেদশিং থুগায়নবা হোৎনরুবদা রোকেট এটেক চথরকপদগী পুলিসকী মীওই অমা শিখ্রে।

# আইভরি কোষ্টকী গভর্ণমেন্ট রিজাইন তৌখ্রে

আইভরি কোষ্ট, জন্যুৱারী ০৮ ঃ

আইভরি কোষ্টকী প্রসিদেন্ট অলাসানি ক্বেটারানা হায়বগী মতুং ইন্না ৱেষ্ট অফ্রিকাদা লৈবা লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্ট রিজাইন তৌখ্রে।

খোঙথাং অদুনা মহাক্কী লৈঙাক্তা হেন্না খুদোংচাহন্দুনা লৈবাক্কী ওইনা অফবা পুরক্কনি হায়না মহাক্লা হায়বদগী প্রাইম মিনিষ্টর দেনিঅল কাল্লান দনকান্না মহাক্কী মিনিষ্টরিঅল কোলিগশিংগা লোয়নননা প্রসিদেন্টদা ফম থাদোকপগী চেপীশিনখিবনি।

গভর্ণমেন্ট রিজাইন তৌখিবগা লোয়নননা লাক্লিবা নুমিৎ খরনিসিদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। অথুবা মতমদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা ৱাশক লৌরগনি অমসুং নৌনা শেমগদৌরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা হেন্না মতিং মঙম থোক্লা থবক তৌবা ঙম্বগা লোয়নননা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎকনি অমসুং য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিংদা অফবা মরী পুরক্লবা হোৎনগনি হায়না প্রসিদেন্ট অলাসানি ক্বেটারানা হায়খি।


## ꯊꯕꯛ ꯃꯐꯝ/JOB VACANCY

*Regd. 1400621-03550 pt - 1 (micro) Government of Manipur*

**Sl. 1. Direct Selection of Airport vacancy for Domestic and International**
I. Ground Staff, Cabin Crew, Air Ticketing *Post : 10 Qualification : X-XII Salary : 12,000 -25,000* II. Loader, Cargo Driver, Flight Cleaner, *Post : 10 Qualification : VIII - Above Salary : 10,000 -20,000*

**Sl. 2. Banking Staff for Newly Opening District wise in Manipur** (6 months with salary)
I. Account Opening, Loan RecoveryTraining, Gold Loan, Credit Card *Post : 5 Qualification : XII-Grad. Salary : 12,000 -25,000*
II. Mobile Banking, Sitting Staff *Post : 10 Qualification : XII-Grad. Salary : 15,000 -27,000* III. ATM Security, Banking Security *Post : 8 Qualification : VIII-X Salary : 10,000 -18,000*

**Sl. 3. Direct Joint, Semi-Govt./Micro Finance/Other** (100% success)
I. Security, Choukidar, Helper, Gunman *Post : 15 Qualification : VIII-Above Salary : 5,500 -8,500* II. Grass cutter, Cook, Malli, Sweeper, Peon, Driver *Post : 8 Qualification : VIII - Above Salary : 6,000 -9,000*

**Sl. 4. Pvt. Office, Hotel, Hospital, MNC - Company Staff in Imphal**
I. Reception, Asst. Manager, Mali Reception *Post : 10 Qualification : X-XII Salary : 4,500 -7,500* II. Data Entry, Computer Operator *Post : 15 Qualification : X-XII Salary : 5,000 -8,000* III. GNM/ANM, X-Ray, Lab Technician *Post : 9 Qualification : X-XII Salary : 4,500 -7,500* IV. Medical Representative & Medical Transcription *Post : 10 Qualification : X-Above Salary : 9,000 -12,000*

**Sl. 5. Direct Joint for North East (Fooding-Loading free) Staff Nurse**
I. ANM & GNM *Post : 10 Qua. : X-Grad. Salary : 17,000 -25,000*

**Sl. 6. Reputed Mobile Company Staff : Male/Female**
*Qualification : XII-Above, Post : 20, Salary : 8,000-15,000*
*Qualification : XII-Grad, Post : 10, Salary : 15,000-20,000*

***Last Date : 14/01/2016 Interview on : 15/01/2016***

ইশাগী অহাংবা মতমদা **Extra Income** তান্নিংবা **Student, Housewife, Unemployed, Employed** শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি। **Qualification : VIII-Above, Income : 10,000-25,000 (per month)**

**Sd/- Rising Star Collaboration**
**Kwakeithel Thoudabhabok near Akash Institute**
**# 9089776553 # 8014741601 # 9856470948**

HL-P/2887/9,10,11,12,13 & 14


ELECTION URGENT

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE RETURNING OFFICER/SDO: MOIRANG**

**NOTIFICATION**
Moirang, the 7th January, 2016

RETURNING OFFICER MOIRANG

No. 1/SDO/RO/MRG/MC-ELEC/2015 : In connection with the ensuing General Election to Municipal Councils/Nagar Panchayats, 2016 for Moirang, Kwakta and Kumbi Municipal Councils respectively, the following SSA staff members of Bishnupur District must report to the office of the undersigned at Mini Secretariat, DC Complex, Bishnupur on 9th January, 2016 during office hours failing which disciplinary action will be taken up as per the relevant provisions of Election Rules.

| Sl.No | Name | Designation/ Office |
|---|---|---|
| 1 | Kshetrimayum Purnachandra Singh | Special Teacher |
| 2 | Dangmei Langdhingmei | Section Officer |
| 3 | Sh. Shanju Sharma | Accountant |
| 4 | Thiyam Sanjoy Singh | -do- |
| 5 | Thounaojam Bijoy Singh | System Analyst. |
| 6 | Md. Aziz Khan | Resource Person |
| 7 | Sagolsem Motilal Singh | Accountant Cum Support Staff |
| 8 | Mairembam Ramananda Singh | -do- |
| 9 | Haorokcham Reddychandra Singh | Data Entry Operator |
| 10 | Gangmei Chunganglung Kabui | -do- |
| 11 | Jonah Gaiguanglin Kamei | Resource Person |

07/01/16
(Bantee Singh Konthoujam)
Returning Officer/SDO, Moirang

HL-B/2891/9





